**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

**১)** **শকখঙদবশিংনা ফাখিবা এস.এস.সিনা লৌবা জি.দি পোষ্টকী রিক্রুটমেন্ট য়াওবা চৎখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা অমা রেস্ক্যু তৌরে, মীওই অনি অথুবা মতমদা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনরি।**

**২)** **জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী খারোমদা কিলোমিতর ৭ লোম চৎলগা লৈবা মোংবুং খুলদা ঙসি অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রে হায়রি।**

**৩)** **লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা স্বাচছত হি-সেভা কেম্পেইন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চখরি।**

**৪)** **বি.জে.পি মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী মীয়ামা মখোয়গী মচা মশুশিং তুংগী অফবা পুন্সি অমগীদমক শান্তি পাল্লে।**

অমসুং

**৫)** **ভারত, সাফ অন্দর সভেন্তিন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল চংলে।**

**------**

রেস্ক্যু (এল) ঃ নিউ কৈথেলমানবীদা এস.এস.সিনা লৌবা জেনেরেল দ্যুতি পোষ্টকী রিক্রুটমেন্ট য়াওনবা চৎপদা শকখঙদবশিংনা ফাখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা মীওই অমা কনবা ঙমলে, মীওই অনি অথুবা মতমদা ইমুং মনুংদা তেক্ত কায়দনা শিন্নবা মরী লৈনবশিংনা কন্না হোৎনরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ভারত লান্মীনা কনবা ঙমখ্রবা মীওই অসি থৌবাল

খেকমন মনিং লৈকাইদগীনি। মহাকপু ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসতা খুৎশিন্নরকখি। থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অনি অদুসু থৌবাল জিলাদগীনি। মখোয় অনিবু রেস্ক্যু তৌনবা সরকারনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি হায়রি।

জিরিবাম (এল) ঃ জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী খারোমদা কিলোমিতর ৭ লোম চৎলগা লৈবা মোংবুং খুলদা ঙসি অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অদু অয়ুক পুং ১১ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা চীংথক্তগী নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাশিল্লকপদগী খুৎ থোকখিবনি। খুদক্তা মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিনদুনা ফিভম অদু লাকশিনখি। অদুমওইনমক, মীফা মীপুন অমসুং অশোক অপন য়াওবগী পাউদি লৈতে।

কন্মিসন (এল) ঃ মণিপুর ষ্টেট কন্মিসন ফোর ৱিমেন অমদি ইবোতোন্বী ইন্সটিট্যুট ওফ ইজ্‌কেসন (আই.আই.ই)না পুন্না শিন্দুনা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কাঞ্চিপুর খা নাওরেম লৈকাইদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কন্মিসনগী চেয়ারপার্সন থুংলিপ থিনিংফম মোনসাংনা হায়- কন্মিসন অসিনা নুপীশিংগী মথক্তা চখবা হিংশাগী থবকশিং থেংননবা হোৎনরি। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ৱাকৎ থাংগৎনবগী মতাংদসু কন্মিসন্না নুপীশিং অদুদা মতেং পীনবা শেম শাদুনা লৈ। মহাকা হায়- কন্মিসনদা সাইবর ক্রাইমগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং থাংগলকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। কন্মিসন্না সাইবর ক্রাইম বিভাগকা খুৎশমদুনা কেসশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা আই.আই.ইগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমদি কন্মিসনগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

এগ্রি (এল) ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা মতম চানা লৌ উবা ঙমহৌদবগী অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না বিভাগ অসিনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অমনা হায়- সরকারগী শেন্থুং অসিগী কান্নবা লৌনিংবা লৌমীশিংনা ৱেব সাইট- ফারমর কম্পেন্সেসন দোট আই.এনদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি। এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ১৫ ফাওবনি হায়রি।

ফিসরি (এল) ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবত নিংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি রাজ্যগী মণিপুর সরকারগী ফিসরি বিভাগকা খুৎশমদুনা লৈকাই লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবশিংদা ঙা মচা য়েন্থোকপগী থবক মখা চথরি। ঙসি ঙা মচাশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা অমুকোগী মীহুৎশিং অমদি ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ফিস ফারমর এসোসিয়েসনগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

এসটি (এল) ঃ মীতৈ-মৈতৈবু ভারত সংবিধানগী আর্তিকল ৩৪২ ক্লোজ ৱানগী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা য়াওহন্দুনা ফুরুপ অসিবু ঙাক শেনগদবনি হায়দুনা মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না চংশিল্লকপা লৈবাক শিনবা থুংবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা লৈবা আর.এস.এসকী চীফ সেক্রেটরি সমির শ্রীসাগর অমদি লুচিংবা কয়াগসু উন্নদুনা তকশিনখ্রে।

কাউন্সিল (এল)ঃ মীতৈ ফুরুপ কনবদা ঐখোয় পুম্নগী থৌদাং হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোখ্রে। থৌরম অদু ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিনবনি।

কেম্পেইন (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা স্বাচছত হি-সেভা কেম্পেইন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরি । কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) অমদি ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)না

পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা লম তু শেংবা অমদি উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আই.পি.আরগী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়- স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা পায়খৎলিবা লম তু শেংবগী থৌরম অসিনা লু-নানবা অমদি ফত্ত-হাউদিশিং মফম চানা লোইশিনবদা চাউনা মতেং ওইরি।

থৌরম অদুদা দি.আই.পি.আর অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ষ্টাফশিং অমসুং অমজ্গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কেম্পেন অসিগা মরী লৈননা মনিপুর রুরেল বেঙ্ককী ষ্টাফশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইবুধৌ মারজিং খুভমলেনগী অকোইবা মফমশিংদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বেঙ্ক অসিগী মীওই ৩০ রোম শরুক য়াখি।

স্বাচছতা হি সেভা কেম্পেনগী মখাদা রোয়েল একাদেমী ওফ লো, ওইনামগী নেসনল সর্ভিসেস স্কিমনা শিন্দুনা নম্বোলগী মাইবম লোকপা চীংদা লৈবা ইন্দিয়ান পিছ মেমোরিয়েলদা ঙসি লমতু শেংদোকখ্রে। থৌরম অসিদা কোলেজ অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা ক্লাস থ্রিদগী আইট ফাওবগী জিলা থাক্কী লাইয়েকপা চাংদমবা অমা জিলা অসিগী জাফৌদা লৈবা জাফৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখি। গার্বেজ ফ্রি ইন্দিয়া হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম অদু চান্দেল পুলিসনা শিনবনি। থৌরম অদুদা চান্দেল জিলাগী এস.পি. শ্রী সিবানন্দ শুরবে শরুক য়াখি।

ত্রাফিক (এল) ঃ থা অসিগী ৩০ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য থাক্কী ইরাবত ডে থৌরমগা মরী লৈননা থৌরমগা মরী লৈননা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

এস.পি. ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংনা থোকপা চরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর মণিপুর এসেমব্লি গেট নম্বর-ৱানদগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙ ক্রোসিং

তাবা লম্বী অমসুং থাংমৈবন্দ ৱাথম লৈরক্কী নোংপোক থংবা শরুক্তগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙ ফাওবগী লম্বী অসি হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী হৌরগা থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা থিংজিনগনি। অদুমওইনমক, লম্বীশিং অসিগী অৱাং থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তদি অথিংবা অসি লৈরোই।

ৱার্কসোপ (এল) ঃ মণিপুরদা অঙাংশিংদা ঐচ.আই.ভি-এইদস লায়নাদগী ঙাকথোকবা থৌরাংশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কসোপ অমা মেজোর খুল ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অসি নেসনেল কম্মিসনার ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন.সি.পি.সি.আর), মণিপুর কম্মিসনার ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর) অমসুং মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি (মেক্স)না পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা এন.সি.পি.সি.আরগী চেয়ারপার্সন, কৈশাম প্রদিপকুমারনা মণিপুর ষ্টেট পোলিসি ফোর চিলদ্রেন ২০২০ অথুবা মতমদা চৎহন্নবা তকশিনখি।

ত্রেন্নিং (এল)ঃ মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা মেদিএসন এন্দ কাউন্সিলিয়েসন প্রোজেক্ট কমিতি-ন্যু দিল্লিগা পুন্না শিনদুনা থা অসিগী মরি ফাওবা চথুগদবা পুং ৪০ গী ওইবা মেদিএসন ইন্দক্সন ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জজ-জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা, মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মেম্বর সেক্রেটরি-আলেক মুইভা, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী রেজিস্ত্রর জেনরেল-ওজিস মুতুম শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ সব-দিভিজনেল ভেটিরিনারি হোস্পিতাল-মোরেনা এম.বি.য়ুগা পুন্না শিনদুনা ৱার্ল্ড রেবিজ ডেগী থৌরম ঙসি তেংনৌপল জিলাগী লাইচিং মাইপৌ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

ব্রেক্কিং রেভিস বাউন্দরি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হুই-হৌদোংশিংদসু লেমা এন্তি রেভিসকী তিকা থাদোকখি।

মৈ (এল) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইরোম পুখ্রি মপালদা খিনবা ট্রান্সফোর্মর থাংদোক থাংজিন তৌগদবা মরমনা টিদিম টু ফিদরনা কোনবা মফমশিংদা অয়ুক পুং ৭ মখায়দগী মৈ মুৎকনি। এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মৈ ফংলোইদবা মফমশিং অদুদি- খাগেমপল্লি কৈথেল মচা অমদি ইরোম পুখ্রি মপালনি।

সেনিয়র (এল) ঃ সেনিয়র সিতিজন সোসাইতি খুন্দ্রাকপম এ.সিনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড হার্ট ডেগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাখংবা কম্ম্যুনিতি হোল পাঙ্গৈদা পাঙথোকখ্রে।

মেরা (এল) ঃ মেরাগী নোংম পানবা মেরা চাউরেল হৌবগা থৌরম হয়িং খোঙবাল উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা মথং থাগী ৩ দা মহৌশাগুম পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লাইনিং খোঙচৎ অমসুং পাঙথোক্কনি। খোঙচৎ অসিদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মখাদা লৈরিবা উমং লাই, কবুই লোইশঙ, খেনচংলোন লোইশঙ, নিংঙোল পিবা লোইশঙ, ৱারী লীবা লোইশঙনচিংবা কয়াসু শরুক য়াগনি। লৈবাক্কী য়াইফনবগী পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা টেম্পল বোর্দকী চেরোল অমনা আপীল তৌরক্লি।

মনকি বাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৪ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিং- পৌমাই, মার, পাইতে, কবুই, থাদৌ, মাও অমসুং তাঙ্খুলদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ বি.জে.পি মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী মীয়ামা মখোয়গী মচা মশুশিং তুংগী অফবা পুন্সি অমগীদমক শান্তি পাল্লে।

জম্মুদা ঙসি পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগী অহানবা অমসুং অনিসুবা তাঙ্কক্তা য়াল্লবা মীয়ামা থোরক্তুনা শরুক য়াখিবা অদুমক য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা মীয়ামা শান্তি পাল্লে হায়বগী অচৌবা খুদম অমনি। শ্রী মোদিনা হায়- ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন স্কিমগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা লান্মীগী ইমুং মনুংশিংদা লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ২০ গী শেনফমশিং ফংহনখ্রে।

জম্মু অমসুং কাশ্মীর বিধান সভাগী অহুমসুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বিধান সভা কেন্দ্র ৪০ দা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা, হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগীদমক কংগ্রেস দলগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ঙসি চান্দিগরদা ফোংখ্রে। মেনিফেষ্টো অদুদা লুপা লাখ ২৫ ফাওবগী শেনফম অনা লায়েংগীদমক্তা লেমা পীবা অমসুং নুপীশিংদা থা অমমমদা লুপা লিশিং অনি অনি পীবা য়াওরি। মসিগী মথক্তা সটলেজ, যমুনা লিঙ্ক কেনেলদগী হরিয়ানাদা অফবা থকবা ঈশিং পীগনি হায়না মেনিফেষ্টো অসিদা পল্লি। লমায় ৪০ পানবা মেনিফেষ্টো অদু ঙসি চান্দিগর কংগ্রেস পার্তিগী ওফিসতা ফোংখিবনি। মেনিফেষ্টো অসিগী চেয়ারপার্সন গীতা বুথকালনা হায়- মেনিফেষ্টো অসিদা শিক্ষা অমদি হকশেলগী লমদা য়াইফনবগীদমক্ত অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

রাস্ত্রপদিঃ রাষ্ট্রপটি দ্রৌপদি মুরমু নোংমগী খোঙচত্তা ঙসি হাইদ্রবাদতা থুংখ্রে। রাজ্যগী গভর্ণর জিসু দেব বর্মা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি এ.রেভনাথ রেদিনা রাষ্ট্রপটিবু তরামা ওকখি। নালসর য়ুনিভরসিতি ওফ লোগী ২১ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়- অচুম্বা ঙাংবা অসিনা মরম ওইদুনা লিগেল ফরতিনিবু হেন্না মপাঙ্গল কনবা ওইহল্লি। মহাকা হায়- মীয়ামগী ওইবা অচুম্বা ফংহন্নবগীদমক শোখহৌরবা কাংলুপশিংদসু অচুম্বা ফংহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। লিগেলগী লমদা নুপীশিং য়াওশিন্দুনা পুন্না হোৎনমিন্নরবদি লৈবাক

অসিগী ওইবা পান্দমশিং থুনা ফংহনবদা হেন্না মতেং ওইগনি।

শ্রীমতি মুরমুনা সিকন্দরবার্গকী রাস্ত্রপতি মিলায়নদা ভারত্তিয়া কালা মহোতসবসু হৌদোকখ্রে। নুমিৎ ৮ নি চুপা পাঙথোক্কদবা কালা মহোতসব অসিদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-অরুনাচল প্রদেস, অসাম, মনিপুর, মেঘালয়, মিজোরম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাগী কালা কলচর, খুৎশা হৈবগী পোৎলমশিং উৎলি।

জম্মুঃ জম্মু কাশ্মিরগী কুলগাম জিলাগী অদিগাম ভিলেজদা ঙসি অয়ুক সেক্যুরিতি ফোর্সকা টেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফমদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মফমদুদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মফম অদুদা হৌজিকসু মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

ডেঃ ভারত লান্মীগী ১৯৮ শুবা গন্নরস ডে পালন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইং ১৮২৭ কী নুমিৎ অসিদা ভারতকী অহানবা আরটিলারি য়ুনিট-ফাইব বোম্বে মাউন্টেন বেটরি লিংখৎখিবা অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

অকাশবানি ন্যুজকা অখন্ননা উন্নবদা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ আরটিলারি লেফটনেন্ট জেনরেল-অদোস কুমারনা হায়-আরটিলারি রেজিমেন্ট অসি আত্মা নিরভর ভারতকী পান্দম ফংনবগীদমক মতমগা চুন্ননা শেমগৎলি।

রেলৱেঃ ভারতকী অখন্নবা রেলগাড়ি লিশিং ৬ লাক্লিবা কুম্মৈ হরাউশিংগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেলহল্লগনি। দুর্গা পূজা, দিৱালি অমসুং সত পুজাগা মরী লৈননা লাক্লিবা ওক্তোবর অমদগী নবেম্বর ৩০ ফাওবা রেলগাড়িশিং অসি চেনগনি। চহি খুদিংগী ইন্দিয়ান রেলৱেজনা হরাউ কুম্মৈ মতম অসিদা যাত্রিকশিংগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচানবগীদমক অখন্নবা রেলগাড়িশিং চেলহন্দুনা লাক্লি। মমাং চহিগা য়েংনবদা কুমশি চহিনা হেন্না রেলগাড়ি মশিং য়ামা চেলহন্নবা থৌরাং তৌরি।

ফুটবোল (এল) ঃ ভারত, সাফ অন্দর সভেন্তিন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল চংলে। ভুতানগী তিমফুদা লৈবা চাংলি-মিথাং ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা নেপালবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি। ভারতকী পাঞ্জলশিং অদু বিসাল যাদবনা অনি, নিংথৌখোংজম রিসিনা অমা অমসুং হেমনৈচুং লুমকিমনা অমা চনখি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী ফাইনেল থা অসিগী ৩০ দা শান্নরগনি।

ফুটবোল (এল) ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা ককচিংদা চত্থরিবা দি.এস.এ ট্রোফি ইনভিটেসন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি ৱাইখোংনা য়ু.সি.সি ককচিংবু পাঞ্জল ৫-১ থোইখ্রে।

টরকি (এল) ঃ টরকিগী ইষ্টানবুলদা পাঙথোক্কদবা মিষ্টর টোপ মোদেল ওফ য়ুনিভর্স ২০২৪ দা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরদগী মার্টিন ইরেংবম ঙসি টরকিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহাক গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা মেগা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ২০২৪ গী ৱিন্নর ওইখিবনি।

------